## টালিবানগী এটেক্তা ৭ শিরে

কাবুল, জুলাই ২২ (এজেন্সি) : অফঘানিষ্টানগী খা থংবা পোভিন্স কনধাহরদা টালিবান্না চথখিবা এটেক অমদা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মীওই ৭ শিখ্রে হায়না পুলিস চীফ টাদিম খান্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

টালিবান মিলিটেন্টশিংনা সিক্যুরিটি চেক পোইন্টশিংদা এটেক চথদুনা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৭ হাৎখিবগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্রোভিন্স অদুগী টাক্তা পুল দিষ্ট্রিক্টতা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লকখি। কনধাহর পুলিসকী মতুং ইন্না হন্দক্তা টালিবান টেররিষ্টশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অনীদসু এটেক তৌখি।

# কোভিদ-১৯ কেস নৌনা ৱাংখৎলকপদগী হোং কোং গভর্নমেন্টনা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎখ্রে

হোং কোং, জুলাই ২২ (এজেন্সি) : হোং কোংদা নুমিৎ খুদিংগী দিটেক্ট তৌরিবা কোভিদ-১৯গী কেস য়ুমশকৈশা নুমিত্তা খঙৱাং ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা ইন্দোরগী মী তিনবা মফমশিংদা ফেস মাস্কশিং তঙাইফদনা শীজিন্ননবা খঙহনখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওনা লৈবাক অনী হায়-রিস্ক লিষ্টতা য়াওহনখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তগী হৌরগা মীয়াম্না সোপ্পিং মোলশিং, সুপর মার্কেটশিং, বিল্ডিং লোবিশিং অমসুং বস টর্মিনস য়াওনা মীয়াম তিনবা ইন্দোর এরিয়াশিংদা নুমিৎ ১৪ নি ফেস মাস্কশিং শীজিন্নরগনি হায়না হোং কোং স্পেসল এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিজন গভর্নমেন্ট (ঐচ কে এস এ আর)গী ফুদ এন্দ হেল্থকী সেক্রেটরি সোফিয়া চাননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী অখন্নবা মীফম্না থৌরাং অসিগী ৱারেপ লৌখিবনি। এন্টি-দিজিজ রেগুলেসন অমগী মতুং ইন্না মীয়াম্না হৌজিক পব্লিক ট্রান্সপোর্টতা তঙাইফদনা মাস্ক শীজিন্নগদবনি।

হোং কোংদা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা হৌরকফম খঙদবা ট্রান্সমিসন চেন কয়া য়াওনা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন ৱাংখৎলকপগী ফিভম লাকখি। সিটি গভর্নমেন্টনা ভাইরস শন্দোরকপা কন্ট্রোল তৌনবগীদমক্তা লায়না থিংনবগী খোঙথাংশিং হেন্না কনশিনহনখ্রে।

গভর্নমেন্টকী থৌরাংশিংগী মনুংদা ইন্টরটেমেন্ট মফম খরা থিংজিনবা অমসুং রেষ্টোরেন্টশিংগী মনুংদা দাইনিং তৌবদা অথিংবা থম্বা য়াওরি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সেন্টর ফোর হেল্থ প্রোটেক্সন্না অনৌবা ইনফেক্সন ১৩৩ রিপোর্ট তৌদুনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ হৌখিবদগী ইনৌ নৌনা কেস ৱাংখৎলকখি। সিটি অসিগী কেস হৌজিক ২,১৩২ য়ৌরে। অনৌবা ইনফেক্সনশিংগী মনুংদা হৌরকফম খঙদবা ৬৩ য়াওনা লোকেল কেস ১০৫ নি।

## য়ু এসনা চাইনাদা হ্যুষ্টন কোন্স্যুলেট থিংজিন্নবা খঙহনখ্রে

বৈজিং, জুলাই ২২, (এজেন্সি) : য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চাইনাদা হ্যুষ্টনদা লৈবা কোন্স্যুলেট থিংজিন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরী ইনৌ নৌনা লুশিনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, বৈজিংনসু ৱুহানদা লৈবা য়ু এস কোন্স্যুলেট থিংজিন্নবা খন্নরি হায়না সোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাশিংটন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হ্যুষ্টনদা লৈবা চাইনিজ কোন্স্যুলেট থিংজিন্নবা খঙহৌদনা দিমান্দ তৌরক্লে হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

কোন্স্যুলেট অদু থিংজিন্নবা চাইনাদা পুং ৭২গী মতম পীরে হায়না ওফিসল মিদিয়া আউটলেট অমগী এদিটরনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

বৈজিংনা ওর্দর অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা লমন খুম্বগী খোঙথাং লৌখৎকনি হায়না কিহনখ্রে। করি করম্বা খোঙথাংশিং লৌখৎক্কদগে হায়বদুদি পনখিদে। লৈবাকপোকপগী অথেংবদা হ্যুষ্টনদা লোকেল মিদিয়া রিপোর্ট খরনা কন্স্যুলেট বিল্ডিং অদুগী কোর্টয়ার্দতা দোক্যুমেন্ট কয়া মৈ থাখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাং ৱেন বিননদি কন্স্যুলেট অদু মহৌশাগুম্না ওপরেট তৌরি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং রিপোর্টশিং অদুগী মতাংদা কমেন্ট পীয়ু হায়বদদি মহাক্না য়াখিদে।

মখল-মখা কয়াগী ইশ্যুশিংগী মতাংদা য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরী চহী অসিদা খঙশোক শোকচিল্লকপগী ফিভম লাকখি। লৈবাক অনীনা মরু ওইনা য়ানদ্রিবা ইশ্যুশিংগী মনুংদা নোভেল কোরোনাভাইরস, টেলিকোমস গ্যের মেকর ৱাৱে, সাউথ চাইনা সীদা চাইনানা য়াল্লবা মফমশিং ক্লেম তৌবা অমসুং হোং কোংদা লৈবাক অসিনা নেসনল সিক্যুরিটি লো অমা চৎনহনবা য়াওইরি। কন্স্যুলেট থিংজিনবগী ৱাফম অসি য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা কনফার্ম তৌখি।

## পান্দেমিক লাকপদগী ইন্দিয়ন চাদা ৭৪না য়ুমদা থবক শুবা পাম্নরি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ (এজেন্সি) : য়ামদ্রবদা ইন্দিয়াগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৭৪ না কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্কী মমাংগা চাংদম্নবদা মখোয়নাময়ুমদা ওইনা মখা তানা থবক লেপ্তুনা শুবা পাম্নে হায়বসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অনৌবা সর্ভে অমনা উৎখ্রে।

গ্লোভেল পি সী মার্কেট লিদর লেনোভোগী অনৌবা রিপোর্ট অমনা লৈবাক অসিগী রেস্পোন্দেন্ট চাদা ৬২ না অনৌবা টেক্নোলোজিশিংনা মখোয়বু থবক তৎহনবা য়াই হায়বগী নুংনাংনবসু লৈ হায়বসি উৎখি। ইন্দিয়ন রেস্পোন্দেন্ট চাদা ৮২ না মখোয়না খ্বাইদগী লুনা লৌবা ৱাফম অমদি পর্সনেল দেতা প্রোটেক্সন অসিনি হায়বসিসু সর্ভে অসিদগী খঙবা ঙম্লে হায়রি।

দেতা অদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী রেস্পোন্দেন্ট চাদা ৯১ না পান্দেমিক মনুং অসিদা মখোয়গী লেপটোপশিং শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলে হায়বসি য়াজখি। মালেমগী ওইনা চাংচত্তা লেপটোপ শীজিন্নবগী চাং পান্দেমিক মনুং অসিদা চাদা ৮৫ ওইরিবা অসিদগী ইন্দিয়নশিংনা মতম অসিদা লৈপটোপ শীজিন্নবগী চাংনা হেল্লি হায়বসি সর্ভে অসিনা উৎলি।

লেনোভো গ্লোভেল রিছার্সকী সর্ভেদা ফংলিবা দেতা অসিনা মোর্দন ৱর্ক ফোর্সনা ওপরেট তৌবগী মওংদা য়াম্না চাওবা অহোংবা অমা লাক্লে হায়বসি উৎলি হায়না লেনোভো ইন্দিয়াগী সী ঈ ও অমসুং এম দি রাহুল অগরৱালনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী পার্টিসিপেন্ট চাদা ৯৫ না মখোয় মশাগী আই টি পর্সন ওইদুনা মথৌদাং পাঙথোক্লবগীদমক য়ুমদগী ওইনা থবক শুরে হায়বসিদা য়ানরে হায়বসি রিপোর্ট অদুনা উৎখি। সর্ভে অদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ন রেস্পোন্দেন্ট চাদা ৭০ না থবক্কীদমক্তা অমসুং লন্নাই শীজিন্ননবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা দিভাইসশিং হায়বসি পি সীশিং নৎত্রগা ফোনশিং লৈবনা হেন্না ফৈ হায়না লৌনৈ। কম্পনি অসিনা হায়খি মদুদি, ইনি দয়াদা সর্ভে তৌখিবশিংগী চাদা ৮১ না হৌখিবা থা ৩ অসিদা মখোয়গী নুংতিগী ওইবা থবক্কী দাইনামিক্তা মপুং ফানা অহোংবা লাক্লে হায়না মোৎ পীনখি।

## ফেস মাস্ক উপ্তুবগী পুলিসনা ফুবদা নহা অমা শিরে

অমরাবতি, জুলাই ২২ (এজেন্সি) : ফেস মাস্ক উপ্তুবগীদমক্তা পুলিস পর্সনেল অমনা ফুবদগী শোকপনি হায়বা নহা অমা লৈখিদ্রে হায়রি। থৌদোক অদু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অন্ধ্য প্রদেশকী প্রকাসম দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি।

হৌখিবা জুলাই ১৯ দা থোকখিবা থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংখিবা য়ারিচর্লা কিরন কৌবা নহা অদু গুন্তুরগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লায়েং চথরিঙৈদা লৈখিদবনি। কিরনবু পুলিসনা ফাখিবা মতমদা মহাক্না মখোয়গী থৌওংদা য়ানিংদবা উৎপগা লোয়ননা মখোয়দা রুল কয়া পন্দুনা ঙাংখি হায়রি। মহাকপু ফারবা মতুংদা পুলিসকী জীপ অমদা হাপ্লগা পুখিবনি।

মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না কিরন হায়দ্রাবাদতা লৈবা প্রাইভেট ইমপ্লোয়ী অমনি। মহাক লোকদাউন্না মরম ওইদুনা মহাক্কী হোম টাউনদা হল্লকখিবনি। জীপ মনুংদা হাপচিল্লবা মতুংদা মহাকপু পুলিসনা অমুক হন্না ফুখি। পুলিসকী থৌওং অদুদগী নাম্থোক্লবা হোৎনবদা গাড়িদগী চোংথখি অমসুং মদুদা মহাক্কী কোক্কী শরুকশিংদা অশোক-অপন নংখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনদি পুলিসনা মহাকপু মকোক্তা চৈনা কনবদগী শোক্তুনা শিখিবনি হায়না মরাল শীখি। নহা অদুনা লৈখিদ্রবা মতুংদা চিরালাগী থোমাস পেতা এরিয়াদা উংখৎনবা ফিভম লাকখি। পুলিসকী মায়কৈদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তবগীদমক্তা অহেনবা ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌখি।

মোটোরবাইক অমদা তোংদুনা মরুপ-মপাং অমগা চৎমিন্নরিবা কিরনবু মাস্ক উপ্তুবগীদমক্তা কোটাপেতা চেক পোষ্ট মনাক্তা পুলিসনা খামখি। টাউন পুলিস ষ্টেসনগী সব-ইন্সপেক্টর বিজয় কুমার য়াওনা পুলিস কাঙবু অদুনা মহাকপু তাথি-তাওইনা তৌখি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা য়ুমথংনরিবা দিষ্ট্রিক্ট অমগী ওফিসলশিংনা ইনক্কাইরি অমা চথরগনি হায়না প্রকাসামগী এস পি সিদার্দ কৌসলনা ফোঙদোকখি।

## চাইল্ড রাইটস এক্তিভিষ্ট লৈখিদ্রে

হায়দ্রবাদ, জুলাই ২২ (এজেন্সি): মমিং লৈরবা চাইল্ড রাইটস এক্তিভিষ্ট পি অচুত্যা রাও কোভিদ-১৯না নাবদগী য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হায়দ্রবাদতা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৫৮ শুখ্রে। অঙাংশিংগী রাইটসশিংগীদমক্তা থেংনরিবা এন জি ও অমা ওইরিবা বালালা হকুলা সঙ্গম হৌদোকখিবা মীশক অসি প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লৈখিদবনি। হোস্পিটাল অদুদা মহাক হৌখিবা চয়োলদা এদমিট তৌখি।

হোস্পিটাল সোর্সশিংগী মতুং ইন্না মহাক হার্টকী লায়না অমসু লৈবদা নত্তনা অতৈ লায়না খরসু হান্নদগী লৈ। বালালা হকুলা সঙ্গমগী ওনররি প্রসিদেন্ট অসিনা চাইল্ড রাইটস খোঙ্গাওনবগী কেস কয়ামরুম মহাক্না লৌখৎখি। হৌখিবা থাদা মহাক্না ওথোরিটিশিংবু পুলিস কন্সটেবল অমনা চহী নৌরিবা নুপীমচা অমদা সেক্স্যুএল এসোল্ট চথখিবা অমসুং চাইল্ড মেরিয়েজকী কেস অমা লৌখৎপদা মতেং পাংখি।

এন জি ও অসি কুমজা ১৯৮৫ দা রাও অমসুং মহাক্কী লোইনবী অনুরাধা রাওনা শেমখিবনি। অন্ধ্য প্রদেশ মচেৎ তাদ্রিঙৈগী মমাংদা মহাক্না ষ্টেট অসিদা চাইল্ড রাইটসকী ইশ্যু কয়া লৌখৎখি। মতুং তারকপদা তেলঙ্গনাদা অমুক মখা তানা থবক তৌখি।

**DUTTA AYURVEDIC CLINIC**


দাইবেটিষ্টকী মমিং লৈরবা **SUGAR NIL CAPSULES**
**DUTTA AYURVEDIC** তগী ফংবীগনি

*নুপাগী প্রোব্লেম :*
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

*নুপীগী প্রোব্লেম :*
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

*ডাইবেটিস :*
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

*নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :*
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুকনুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিংথক্লিংবা পোক্তবা, পুকনাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

*অঙৌবা পকপা :*

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

*শমগী পোব্লেম :*
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

*তাং-তাং চিকপা :*
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিংথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

*নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :*
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

ꯀꯣꯟꯇꯦꯛ ꯇꯧꯕꯤꯌꯨ
**DUTTA AYURVEDIC CLINIC** (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6100/14/07-13/08

### ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / 'কবিরাজ ABDUL HAK পু থাগৎচরি'

নুংশঙগী অনাবনা মতম কুইনা ঐগী হকচাং অৱাবা কয়াগা লোয়ননা লেল্লকখি। মফম কয়াদসু চৎলুরে, লায়েংবা য়াবা লায়েংলুরে অদুবু মপূং ফানা ফাবদি ঙমখিদে। পাউচে অসিদা ওজা Abdul Hak, Ph. no. 8794429681, 8014623756 অসি থেংনজবদগী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঙসিদি ইশাগী পাইলসকী অনাবশিং খোং হাম্বদা ঈ য়াওবা, অমাংথোংগী মপান্দা শৌজ থোকপা, মনুংদসু পোম্বা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খ্বাঙ নাবা, চানিংবা পোক্তবা, হকচাং চোকথবা, খোং হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমাংথোং মপান্দা চেখাইবা, মচুম তাবা অমদি ঙকশম মরী নাবনচিংবগী নুংঙাইতবশিং ঙসিদি ফরে। মরম অদুনা ওজা Abdul Hak পু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

**লায়েংফম :-**
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

HL-P/7247/23 *থাগৎচরিবী :* **S. Roji, Meitram Awang**

### ꯑꯔꯥꯕ / অৱাবা ফোঙদোকপা

পাইওনিয়র হেল্থ ক্লব মণিপুরগী সিম্পেথাইজর ওইবিরম্বা শ্রী খাগোকপম তোম্বা সিংহ (৯৩), খুরাই কোংপাল লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবিরম্বনা চৎলিবা জুলাই থাগী তাং ১২, ২০২০ ইংদা মশাগী অনাবনা মরম ওইদুনা মশাগী য়ূমদগী তাইবংপাল থাদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবগী মফমদা পাইওনিয়র হেল্থ ক্লবকী মেম্বরশিংনা ইকাই খুম্নবা উৎতুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্লগা কোভিদ-১৯গী লোকদাউনগী চৎন-কাঙলোনগী মখাদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবা তোম্বগী ইমুং-মনুংনা মায়োক্নরিবা অৱাবদা শরুক য়াজরি হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

*খঙহঞ্জরিবা :* **সেক্রেটরি**
পাইওনিয়র হেল্থ ক্লব মণিপুর

HL-P/7397/23

### ꯃꯥꯡꯈꯤ / BANK PASS BOOK LOST

I have lost my bank pass book of SBI, Porompat Branch bearing Account no.- 30579739889, issued by SBI Porompat on the way between Lamlong and Kongba Bazar on 21st July 2020.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Ngangbam Arunkumar Singh**
Khurai Thangjam Leikai Ayangpali Road

HL-P/7395/23

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 220/SDC/IW -L/2020**
Lukram Dinamani Singh S/o L. Modhumagol Singh of Uripok Naoremthong Takhellambam Leikai. ...Petitioner
-Vs-
(Late) Lousambam (N) Lukram (O) Chaobimacha Devi W/o Dinamani Singh of Uripok Naoremthong. O.P.Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
21/07/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার লৌশাম্বম নিংঙোল লুক্রাম ওংবী চাওবীমচা দেবী পতি দিনমনি সিংহ সাং উরিপোক নাওরেমথোংগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৪৫ - কমেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৩২০, দাগ নং ১৬২ অমসুং এরিয়া ১.১৭০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/7394/23 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector** : IW:Lamsang

### BEFORE THE OATH COMMISSIONER, MANIPUR AT IMPHAL
### ꯑꯦꯐꯤꯗꯦꯚꯤꯠ/AFFIDAVIT

**I, Hav. D Moshun Maring** aged about 37 years, S/o Dangshawa Morungpham, resident of Khunbi village, P.O. Pallel, P.S. Machi, Chandel District, Manipur, do hereby make oath and solemnly affirm as follows :-

1. That, I am a bonafide citizen of India by birth. This is true to my knowledge.
2. That, I am serving as Naga Regiment, being No. 14704143A, Kumaon Regiment Centre (K.R.C). This is true to my knowledge.
3. That, in my Service records, the name of father has been wrongly recorded as *D. Momang Maring* instead of **Dangshawa Morungpham**. This is true to my knowledge.
4. That, the correct name of my father is Dangshawa Morungpham and the same is recorded in the Aadhaar Card of my father. This is true to my knowledge.
5. That, I would like to rectify the correct name of my father as Dangshawa Morungpham in my service records, to avoid future discrepencies. This is true to my knowledge.

Verified that the contents made in the above paras No. 1 to 5 of my affidavit are all true to the best of my knowledge and belief and nothing false is stated. I hereunder put my signature on this 22nd day of July 2020 at Imphal.

**By:- Advocate**
KH. KHAMBA SINGH
Oath Commissioner (JUDICIAL)
Regd. No. 408 of 2019
Imphal West District, Manipur

Signature of the Deponent
**Hav. D. Moshun Maring**

HL-P/7033/23

**MEM** Manipur Educational Mission
Higher Secondary School

ONLINE/OFFLINE
ADMISSION OPEN
FOR CLASS XI SCIENCE
Link : http://v-school.in/admform/MEM

Class X CBSE Special Offer

MEM Manipur Educational Mission
A Group of Institutions
NEET | JEE FOUNDATION + SCHOOL
Integrated Program Start from 2020 Session

FACILITIES FOR CBSE BOARD
90% & above: Free Admission+Half Course Fee
80% & below 90%: Free Admission Fee
70% & below 80% : Free Books & 1 set uniform

LIMITED SEAT
FIRST COME FIRST SERVE

Last Date of ADMISSION:
22nd JULY 2020

AVAILABLE FACILITIES
Uniforms · Hostel · Text Books
School Bus Transportation (T & C apply)

for details Office timing : 9.am to 1.30 pm or Call # 8414024194

HL-B/6273/17, 18, 21, 23, 25, 27, 29

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 223/SDC/IW -L/2020**
1) Chingakham Kunjarani Devi W/o (L) Chingakham Jayenta Singh of Sagolband Kangabam Leikai A/P Taothong Ayungba Mamang Leikai.
2) -do- Monica Devi D/o (L) Jayenta Singh of -do- ...Petitioners
-Vs-
(Late) Chingangbam Jayenta Singh S/o (L) Ibongal Singh of Kangabam Leikai. ...OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
21/7/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার চিংঙাংবম জায়েন্তা সিংহ, পীতা মৃত ইবোঙল সিংহ সাং শগোলবন্দ কাঙবম লৈকাইগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৯৫ - তাওথোংগী অনৌবা পাট্টা নং ১৯৫/৫২৭, দাগ নং ১০৫২/১১৯৫ অমসুং এরিয়ানা ০.২১৯৯২ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/7394/23 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector** :IW:Lamsang

### IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER VIII-KAK


**Ref :- Mutation Case No. 706/AS & SO/VIII-Kak of 2020**
Kshetrimayum Muhendro Singh S/o Khelendro Singh of Kakching Mayai Leikai. - Petitioner
-Vs-
Sougaijam Ningol Kshetrimayum ongbi Subadani Devi W/o Khelendro Singh of Kakching Khullen. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dt. 21st July, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ৫৮ ককচীং খুলেন পাট্টা নং ৩৪২ অরিবা, ৬৪১ অনৌবা, দাগ নং ৩১৩৭, এরিয়া ১.৮২ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম অসি মৃত পাট্টাদারগী মচানিপানা দংকারি ওইদুনা দংকারিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌবিনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ৩০/৭/২০২০ ইং ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি। হায়রিবা নুমীৎ অসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

*Sd/-* **K. Niranjan Singh**
HL-P/7400/23 Asst. Survey & Settlement Officer, VIII-Kak

### ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/খোঙ হাম্বা মতমদা সনারৈ শাৎপগুম্না অমাংথোঙ অকোয়বদু পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, অমাংথোঙ ময়াদা ক্নাকলৈ অমুনবগুম্না পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা, খ্বাং নাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা ফহনবগীদমক ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা সনারৈ শাৎপগুম্না অমাংথোঙগী অকোয়বদু পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, অমাংথোঙ মনুংদা খূৎনা থিনজিল্লগা য়েংবা মতমদা ফুরিগুম্না পোল্লগা লৈবা, অমাংথোঙ ময়াদা ক্নাকলৈ অমুনবগুম্না পোল্লগা লৈবা, পোল্লগা লৈবা অদুগী মনাক্তা মচা অমা অমুক পোমথোরকপা, কোন্না পোমথোরকপা অদু য়াম্না চিকপা-নাবা অমদি খূৎনা থেংবদা য়াম্না নাবা, মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা মতমদা খ্বাং য়াম্না নাবা অমদি হকচাংগী মচি-মচিদা চিকপা-নাবা, খোঙ মপূং ফানা হামদোকখিবা তারগদি খ্বাং অমদি হকচাংগী মচি-মচিদা চিকপা-নাবশিং অদু ফখিবা, খোঙ মপূং ফানা হামদোকপা য়াদবা, খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, খোঙ হাম্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, হকচাং অসি পোত্থারগতা লৈনীংবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্ড ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/7172/23 *থাগৎচরিবা :* **L. Naba Singh, Airport**

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref :- Mut. Case No. 456 of 2020**
App:- Mangneiching W/o Zamkhanhao of Sugnu Lamhang
V/s
Opp:- (Late) Lanchinkhup Zou S/o (L) Khatgin Zou of Sugnu Lamhang.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dated, the 18th July, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং ৯১-সুগ্নু পাট্টা নং ২৮০/১৫৬০, দাগ নং ২৪৫৯/৩১৫৭, এরিয়া .০৬ একর চাউবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমীংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

HL-P/7399/23 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong**

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref :- Mut. Case No. 455 of 2020**
App:- T. Chinlamthang S/o Huatmang of Sugnu Lamhang
V/s
Opp:- (Late) Lanchinkhup Zou S/o Khatgin Zou of Sugnu Lamhang.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dated, the 18th July, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং ৯১-সুগ্নু পাট্টা নং ২৮০/১৫৬১, দাগ নং ২৪৫৯/৩১৫৮, এরিয়া .০৪ একর চাউবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমীংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

HL-P/7399/23 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong**

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref :- Mut. Case No. 457 of 2020**
App:- 1. Laiphrakpam Romenachouba Meitei S/o (L) Abhiram Meitei of Sugnu.
2. -do- Romesh Meitei S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Rita Chanu D/o (L) -do- of -do-
V/s
Opp:- (Late) Laiphrakpam Abhiram S/o Chaoba Singh of Sugnu.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dated 20th July 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং ৯১-সুগ্নু পাট্টা নং ৯১/৩৮৯/১১৮২, দাগ নং ২২১৫/২৮৯৩, এরিয়া .৩১ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমীংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

HL-P/7399/23 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong**

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 628/SDC/NBL of 2020**
1) Shagolsem Mema Devi W/o (L) Sh. Budhi Singh of Leimapokpam Makha Leikai (Share 0.625 acre)
2) Konjengbam Bira Singh S/o K Maipak Singh of Leimapokpam (Share 0.625 acre) -Petitioners
-Vrs-
(Late) Shagolsem Budhi Singh S/o (L) Sh. Ibomcha Singh of Ishok. -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dt. 21/7/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 12 - Leimapokpam Patta No. 1448 (New), Dag No. 2029/2511, Area 1.25 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি নং (১) (২) মাগী মাগী মথক্তা পল্লিবা শরুকশিং অসিদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/7393/23 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 629/SDC/NBL of 2020**
Leirenlakpam Ibomcha Singh S/o (L) L Nilakanta Singh of Maibam Chingmang. -Petitioner
-Vrs-
(Late) Lairenlakpam Nilakanta Singh S/o (L) L. Lukhoi Singh of Maibam Chingmang. -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dt. 21/7/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 23 - Maibam Patta No. 485 (Old) 33/918 (New), Dag No. 1378/1777, Area 0.27 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা ইংখোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/7393/23 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

### IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref :- Mut. Case No.176/SDC/M dt. 22/07/2020**
Ningthoujam Yaima Singh S/o (L) N. Khomei Singh of Keibul Mayai Leikai.
-Vs-
(Late) Ningthoujam Khomei Singh S/o (L) Cheitei Singh of Keibul.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Moirang, the 22nd July, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৬৫ - থাঙ্গদা লৈবা পাট্টা নং ৩০৩/১১৮৪ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ৮১০৮/৮২৫৭, এরিয়া ০.২০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং মচানা ইংখোল অসিগী মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/7396/23 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang